# ৩৩শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট
# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমদি খুরাই পোলো ক্লব (এ)সেমি ফাইনেল চংখ্রে




ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪ঃ
মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা সগোলকাংজে টিম ২৮না শরুক য়াদুনা নোক আউৎ বেসিসতা মমাং থা ওক্তোবর ২৮দগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৩শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট সগোলকাংজৈ (পোলো) টুর্নামেন্ট ২০১৭জী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহুশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস পোলো ক্লব (বি)না সমদোন অয়াংবা পোলো টিমবু পানজল ১০–১দা অমদি অনিশুবা গ্রাউন্দ শান্নখিবা মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা খুরাই পোলো ক্লবনা তেকচম পোলো ক্লবপু পানজল ৮–১দা মায়থিবা পিদুনা সেমি ফাইনলে চংবা ঙমখ্রে।
ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ তাবা মতমদগী হৌদুনা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অণিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমদি সমদোন অয়াংবা পোলো ক্লব অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মণিপুর পুসিল স্পোর্টস ক্লব (বি) গী জর্সি নম্বর ২ ঐচ অবুংখুমননা অহানবা চক্করগী মিনট ০.২৫ অমসুং ২.০৪ চৎপদা গোল ২, টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ কেঐচ নোংপোকঙানবনা অনিশুবা চক্করগী মিনট ৩.০৮ চৎপদা গোল ১, জর্সি নম্বর ১ টিম কেপ্তেন এম জব্রাননা অহানবা চক্করগী মিনট ৬.৫৬, অনিশুবা চক্করগী মিনট ৬.৫৩, অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৬.৫১, মরিশুবা ০.৩৭ অমশুং চক্কর অসিমক্কী মিনট ১.২৩ চৎপদা ৫, জর্সি নম্বর ৫ টি প্রদিপকুমারনা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৫.২৭ চৎপদা পানজল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৪ ও সুরেসনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ০.৫২ চৎপদা পানজল ১গা চন্দুনা টিম অসিনা সমদোন অয়াংবা পোলো টিমবু পানজল ১০–১দা মায়থিবা পিদুনা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা সমদোন অয়াংবা পোলো টিমগী অমত্তা ঙাঁয়রবা পানজল অদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ এস গিরিমোহোননা মেটচ অসিগী অনিশুবা চক্করগী মিনট ৬.১২ চৎপদা চনখি।
মেটচ অদুদা কে ধনাচন্দ্র অমদি টিঐচ মোমোচানা অম্প্যার ওইখি।
অনিশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা তেকচম পোলো ক্লব অমদি খুরাই পোলো ক্লব (এ) টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু খুরাই পোলো ক্লব (এ)না পানজল ৮–১দা মায় পাকখি।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা খুরাই পোলো ক্লব (এ)গী পানজলশিং অদু টিম অসিগী জর্সিনম্বর ২ ও রোজরনা অহানবা চক্করগী মিনট ২.০৮, মরিশুবা চক্করগী মিনট ৪.০২ অমদি চক্কর অসিমক্কী মিনট ৫.২৪ চৎপদা পানজল ৩, জর্সি নম্বর ১ টি রোসননা অহানবা চক্করগী মিনট ৭.১৪ অমদি অনিশুবা চক্করগী মিনট ৪.৫৫ চৎপদা পানজল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্তেন এল থোমসননা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৩.১৮ অমসুং মরিশুবা চক্করগী মিনট ৫.০৯দা পানজল ২ অমগা চনখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা তেকচম পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাঁয়রবা পানজল অদুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ এম কুবেরনা মেটচ অসিগী অহানবা চক্করগী মিনট ৪.১২ চৎপদা চনখি।
মেটচ অদুদা এস বিমোল অমদি ভাইকিং সলামনা অম্প্যার ওইনা কন্দক তৌখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং সেমি ফাইনেল মেটচ অনি শান্নরগনি।

# চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ গোল কিপর মোইরাংথেম ধিরাজ সিংহবু মোরে কলেজগী ষ্টুদেন্টশিংনা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪ঃ
ঙসি মোরে কলেজগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ গোল কিপর মোইরাংথেম ধিরাজ সিংহবু ওকপগী থৌরম অমা মোরে কলেজগী ওঝাশিং অমসুং মহৈরোশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।
কলেজ অসিগী ওঝাশিং, ষ্টুদেন্টশিং অমসুং নন–চিটিং ষ্টাফ কয়ানসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। মোরে কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এস এল লুনজপৌ ভাইপৈনা ধিরাজ না মোরে কলেজদা বিএ অমসুং বি এস সি ফাওবা তমগদবা মাগী গ্রেজুএসন মোরে কলেজদা লোইশনগদবা ওইরদি মদুদা চংবা পৈশা খুদিংমক মোরে কলেজগী প্রিন্সিপালনা ফ্রি ওইনগনি হায়দুনা লাওথোকখি।
কলেজগী মাইকৈদগী পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা লুপা ১০,০০০ অমসুং মোমেন্টো অমসু প্রিন্সিপাল মোরে কলেজনা ধিরাজতা পীখি।
মিষ্টর ধিরাজ সিংহ মোইরাংথেম চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ গোল কিপর মোরে কলেজগী মহৈরোইশিংনা ওকপগী থৌরম অদুদা মোরে কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এস এল লুনজপৌ ভাইফৈনা পুক্নিং থৌগৎ ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকখি মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ১৯৯৫ দা চিদম্বরমনা ত্রেদগী লমদা ইনেদা– ম্যান্মর ত্রেদ হাংদোকখ্রে।




ঙসিদি ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুর মচা অমা ওইরিবা ধিরাজ সিংহনা স্পোর্টসকী লমদা নোংপোক থোং হাংলে হায়দুনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা সাউথ এসিয়াদা মণিপুর হায়বা অমা লৈ হায়বা অসি ধিরাজ সিংহনা স্পোর্টসগী লমদগী খঙহনবা ঙমখ্রে হায়দুনসু ফোঙদোকখি। ষ্টুদেন্টশিংনা মী অমা ওইগে হায়বা মতমদা মমা–মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাং কয়া য়াওদবা য়াদে মমা–মপা ওইবশিংনা মঙ্গোল পীবা মচা মশুশিং মতম চুপ্পদা মঙ্গোল ওইগনি।
ঙসি মোরে কলেজগী ষ্টুদেন্ট ধিরাজ সিংহ ৱার্ল্ড কপ্তা অশোই অঙম য়াওদনা শান্নবা ঙল্লক্লিবা অমসুং ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপা ঙল্লিবা কয়া অসি মমা–মপাগী মঙ্গোল অশিবাদ অসিননি হায়না ফোঙদোকখি। ধিরাজ সিংহনা মহাক্না শান্না খোৎনবা হৌরকপা মতমদা থেংনখিবা কয়াগী মতাংদা ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকখি। মহাক্না থৌরম অদুদা ফোঙদোকখিবদা ঙসি চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াবা মতমদা অচৌবা মতেং পুক্নিং থৌগৎপীবা মতেং পাংবিরকপা মোরে কজেল নি হায়দুনা ফোঙদোকখি।
মোরে কলেজ মণিপুরগী নোংপোক থংবদা লৈবা তেংনৌপাল দিষ্ট্রিক্ট ইন্দো–ম্যান্মর বোর্দর মনাক্তা লৈবা কম্ম্যুনিটি শুনা তাবা মফমদা লৈবনি। মণিপুর সরকারনা অথুবা মতমদা চাউখৎথৌরাংগী থবক থৌরম লৌখৎহনবা পান্বগী অপান্বা মোৎসু ফোঙদোকখি। মহাক্না অহানবা ৱার্ল্ড কপতা গোল কিপর ওইবা মতমদা লিৎখিবা টি সার্ট মোরে কলেজগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এস এল লুনফপৌ ভাইফে দা খুদোল তমখি। থৌরম অদুদা ধিরাজ সিংহ না মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদুবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ময়াংলম্বা থোইবা সিংহ প্রসিদেন্ট মৈতৈ কাউন্সিল মোরেনা শাল ফি অমা খুদোল তমখি।

# বেবি সুচিত্রা জুনিয়ার গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭
# এস এস সিনা কে এল ৱাই দি সিবু গোল ২–১দা মায়থিবা পিখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা বেবি সুচিত্রা জুনিয়ার গার্লস ফুটবোল লীগ ২০১৭ ঙসিদগী অর্টিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমফা)গী নুপীমচাগী ফুটবোল টিম ৩না শরুক য়াদুনা এসিষ্টেন্ট জেনেরেল সেক্রেটরি এল জোটিমোইরোইনা হৌদোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী নুপীমচা টিম ৩না শরুক য়াবগা লোয়ননা গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপগী মেটচতা এস এস সি সেক্তানা কে এল ৱাই দি সি পেলেস কম্পাউন্দবু গোল ২–১দা মায়থিবা পিখ্রে। কে এল ৱাই দি সি অমদি এস এস সি টিম অনিনা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা এস এস সিগী গোল ২ অদু মেটচ অদুগী মিনট ১৭ অমসুং ৪৬ চৎপদা পিঐচ সনাথোকপিনা চনখি।
মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা কে এল ৱাই দি সিগী অমত্তা ঙাঁয়রবা গোল অদুনা মেটচ অদুগী মিনট ২৫ চৎপদা উমানা চনখি।
মেটচ অদুগী মিনট ২২ চৎপদা এস এস সিগী কে জেন্নিবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
মেটচ অদুদা ঐচ অমর্জিৎনা সেন্তর রেফরি, ৱাই হেমন্তনা এ আর ১, এল থোইবিনা এ আর ২ অমদি পিঐচ লম্হোইবনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমগী হৌদুনা শান্নগদবা মেটচ অমদা ই এস য়ু ৱংখৈগা কে এল ৱাই দি সি পেলেস কম্পাউন্দগা অমদি থা অসিগী ১৯গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২দগী হৌদুনা শান্নগদবা মেটচ অমদনা এস এস সি সেক্তাগা ই এস য়ু ৱাংখৈগা লম্বা থেংনরগনি।

# ১১শুবা জাদোননাং নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭
# নমথালোং, রাগাইলোং, লংথবাল চিংথক অমদি লোংমাই মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪ঃ
জেলিয়ারোং ফুটবোল এসোসিয়েসন (জেৎ এফ এ)না শিন্দুনা টিম ২৯না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১১দগী থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা চথরক্লিবা ১১শুবা জাদোনাং নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ ৪দা নমথালোং (এন ৱাই সি), রাগাইলোং (আর ৱাই সি), লংথবাল চিংথক (এল সি আর সি) অমদি লোংমাই (এল এফ সি) মায় পাকখ্রে।
চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ঙসিগী অহানবা মেটচতা নমথালোং (এন ৱাই সি ) অমদি অরিয়াং (এ ৱাই সি ) টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবগা লোয়ননা মেটচ অদু এন ৱাই সিনা গোল ৪–০দা মায় পাকখ্রে।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা এন ৱাই সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ২ চৎপদা দি গাসসিাংঙমনা গোল ১, মিনট ২১ অমসুং ৫৫ চৎপদা এল গাঙমপৌনা গোল ১ অমদি মিনট ৩৯ চৎপদা পি ফিলিমোননা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অদুদা এস তোম্বীনা সেন্তর রেফরি ওইনা কন্দক তৌবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী মিনট ২৮ চৎপদা অরিয়াং (এ ৱাই সি)গী কাতাদিং অবোমাইবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা রাগাইলোং (আর ৱাই সি) অমদি রমগাইলোং (আর ৱাই সি) টিম অনিনা লম্বা তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা মেটচ অদু রাগাইলোংনা গোল ৩–০দা মায় পাকখ্রে।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা রগাইলোংগী গোলশিং অদু মেথ্যু চৱাংনা মেটচ অদুগী মিনট ২৩ অমসুং ৪০ চৎপদা গোল ২ অমদি গাইখাগ্লিন গোলমৈনা মিনট ৪৬ চৎপদা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অদুদা আর কে রনজননা সেন্তর রেফরি ওইনা কন্দক তৌবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী মিনট ৫৯ চৎপদা রগাইলোং ( আর ৱাই সি)গী কামৈ পন্তিগাবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
অহুমশুবা মেটচতা মেজোরখুল (এম এফ এ) অমদি লংথাবাল চিংথক টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবগা লোয়ননা মেটচ অদু লংথবাল চিংথক্না গোল ১–০দা থোইখ্রে।
টিম অনিমক্না মেটচ অদু লম্বা চানা থেংনরবসু মেটচ অদুগী মিনট ৪২ চৎপদা লংথাবাল চিংথক ( এল সি আর সি) গী পজাংপু কবুইনা গোল ১ চনবদগী হেন্না মখা তাবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেটচ অদু এল সি আর সিনা মায় পাকখি।
মেটচ অদুদা কেঐচ রনজিৎনা সেন্তর রেফরি ওইনা কন্দক তৌবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী মিনট ১২ চৎপদা জুমজুম পুনয়িবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।ঙসিগী মরিশুবা মেটচতা লোংমাই (এল এফ সি) অমদি লংথাবল খৌপুম (এল কে সি সি) টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা এল এফ সিনা গোল ৫–০দা থোইখ্রে।
মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা এল এফ সিগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ৩ অমসুং ৩৬ চৎপদা জি গাইনিঙমনা গোল ২, মিনট ১৫ অমসুং ৬০ চৎপদা গোলমৈ গাইসিলৈনা গোল ২ অমদি মিনট ৩৪ চৎপদা জি মজাসিনা গোল ১গা চনখি।
মেটচ অদুদা এন সন্তোসনা সেন্তর রেফরি ওইনা কন্দক তৌবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী মিনট ২৭তা এল কে সি সিগী জি লালিলুং, মিনট ৪২ অমসুং ৫৯ চৎপদা এল এফ সিগী মথংসিংনা দিপাত্রৈ অমদি পি রেদেমসনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১৬তা শান্নগদবা অহানবা মেটচতা চিংমৈরোং (সি আর ৱাই সি) গা লংথাবাল খৌপুম (এল কে সি সি)গা, অনিশুবা মেটচতা দিমদাইজাং (দি ৱাই সি)গা গাইজিনলোং (এফ সি জি)গা অহুমশুবা মেটচতা সতুদাই (এস ৱাই সি)গা লংথবাল চিংথক (এল সি আর সি)গা অমদি মরিশুবা মেটচতনা চুৱাংফুন (সি ৱাই সি) গা অরিয়াং (এ ৱাই সি)গা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ১৪ঃ থা অসিগী ২৯দগী ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদু ইং ২০০১গী জনুৱারি ১দগী ইং ২০০২গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনদা এফিলিটেট তৌরবা ক্লবশিংনা য়ামদ্রবদা মখোয়গী শান্নরোই ১০গী মমিং থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীদা পীশিল্লকদবনি হায়রি।

YELHOULAMGI YELHOUMISINGGI SENMITLON
AMADI KEITHELSINGBU YOKKHATMINNASI
PLIZ VISIT: NINGTHEE TUREL
a mobile shop
oppo vivo Xiaomi SAMSUNG micromax htc LYF GIONEE
Konung Mamang, Opposite Thangal Temple
SL/2631/Alt. 30 days




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com